

অহানবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী টিম পূন্না গোল্ড মেদল ফংমিন্নখ্রে

Online Olympiad 2020
WINNER
WINNER
INDIA
RUSSIA

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী): চেছ মশান্নদা পুৱারীগী অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়া পূন্না গোল্ড মেদল ফংমিন্নখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা গোল্ড মেদল ফংমিন্নখিবগী তাঙ্কক অদু মালেম শীনবা থুংনা চাউখৎপগী খোঙথাং অমনি হায়না লৌনরিবা ইন্টরনেট কনেক্সনদা অৱাৎপা লাকপদগী ওইখিবনি হায়রি।

ঙরাং ইন্দিয়ানা পোলেন্দবু মায়থীবা পীরবা মতুং ফাইনেল য়ৌরগা ঙসি রসিয়া অমসুং য়ু এস এগী মরক্তা মায় পাকপা ঙমখিবা রসিয়াগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবনি।

ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদ অসিদা ইন্দিয়ানা ক্বার্টর ফাইনেলদা অর্মেনিয়াগা শান্নবদা ইন্টরনেট কনেক্সনগী খূদোংচাদবা লৈখি হায়না অর্মেনিয়াগী মায়কৈদগী কমপ্লেন্ট তৌবা লৈখ্রবনি। মেচ অদুদা অর্মেনিয়াগী শান্নরোয় অমনা মায় পাকপা য়াবগী খূদোংচাবা লৈরিঙৈ অমদি মহাক্কী লম্বা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা মতম হেন্না ফংখিবা অদুদা ইন্টরনেট কনেক্সন শোল্লকপদগী অর্মেনিয়াগী শান্নরোয় অদু মায়থীবা নংখি।

হায়রিবা ইন্টরনেট কনেক্সনগী খূদোংচাদবা অদু অর্মেনিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়ানা ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনদা কমপ্লেন্ট তৌবা লৈখি। অদুবু ফেদরেসন অদুগী মায়কৈদগী কমপ্লেন্ট অদু য়াখিদবদগী ইন্দিয়া সেমীফাইনেল য়ৌখিবনি।

মদুগী মখা তারকপদা ইন্দিয়ানা সেমীফাইনেলদা ঙরাং পোলেন্দগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না অকনবা মেচ অমা শান্নদুনা মায় পাক্লকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সেমীফাইনেলগী অহানবা সেট অদু পোইন্ট ২-৪দা মায়থীবা নংখি। মদুগী মতুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফগৎলকপদগী পোইন্ট ৪.৫-১.৫দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নবদগী ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদকী কাঙলোনগী মতুংইন্না টাইব্রেক/অর্মাগেদন গেম শান্নবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী গ্রান্দমাষ্টর কোনেরু হম্পীনা অমুবা মচু পায়রগা মায় পাকপদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাং অথেংবা শান্নখিবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদ অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচতা চেছ মশান্নগী পুৱারীদা অফবা অমদি মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া অমগী রেকোর্দ লৈরিবা রসিয়া অমসুং নৌনা মশান্না অসিদা মচীন তুমখৎলক্লিবা য়ু এস এগা লম্বা তৌনবদা রসিয়ানা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদকী ফাইনেল মেচকী অহানবা সেটতা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়া পোইন্ট ৩-৩দা দ্রো চৎখি। সেট অদুদা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী শান্নরোয় তরুক্কী লম্বা অদু মায় পাকপা ঙম্মদবদগী দ্রো লোইনা চৎখি।

অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা গেম অনী দ্রো চৎলবা মতুং অহুমশুবা গেম রসিয়ানা থোইরগা লৈরিঙৈ ইন্দিয়াগী নিহাল সরিন অমসুং দিব্যা দেশমুখকী মেচশিং অদু ইন্টরনেট কনেক্সন তৎপদগী লোইশিনবা ঙমখিদবা মরম্না খূদোংচাবা ফংদ্রবসু চেছ ওলিম্পিয়াদকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা লৈবাক অনী জোইন ৱিন্নর ওইনা টাইটল পীখি।

ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপনগী টাইটল লৌদুনা নোভাক জোকোবিচনা ৩৫রকশুবা করিয়রগী মাষ্টরস চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী): চহী অসিগী মার্চ থাগীময়াই চনশিল্লকপদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী হীরম খূদিংমক পন্দুনা লৈরকপদগী মরুওইবা টুর্নামেন্ট কয়া অমা কেন্সেল তৌবা অমদি মতম য়েথোক্তুনা লাকখিবনি। মদুগী মনুংদা টেনিস দিসিপ্লিনগী ওইনা চহী অসিগী মরিশুবা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ওইনা পাঙথোকপা য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী মাংওইননা ন্যু য়োর্কতা শান্নবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা টাইটল লৌদুনা করিয়রগী ৩৫রকশুবা মাষ্টরস টুর্নামেন্ট টাইটল লৌদুনা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্টকী শেম শাবা হৌখ্রে।

সর্ভিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোভাক জোকোবিচনা ঙসি শান্নখিবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন টেনিস টুর্নামেন্ট মীয়াম্না চিনচিনাটি ওপন হায়নসু খঙনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা কানাদাগী মিলোস রাওনিককা লম্বা তৌনখি।

কানাদাগী শান্নরোয় মিলোস রাওনিকনা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদু সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচপু হীরম খূদিংমক্তা খূদুম চনবা ঙমদুনা জোকোবিচকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-১দা থোইখি।

সেট অমা মাংজিল থারবা কানাদাগী শান্নরোয় মিলোস রাওনিকনা ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা সেট শান্নরকপদা সর্ভিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোবিচনা অহানবা সেটতা অশোনবা লৈখিবা মফমশিং অদু ফুগৎতুনা ফজবা হেল্লকপদগী রাওনিককী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা অনীশুবা সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরোয় অনীনা সেট অমমম্ থোইনরগা লৈখি।

ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচ অদু ঙসি অঙনবদা শান্নখিবনি। ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমদি কানাদাগী মিলোস রাওনিক সেট অমমম্ মান্নদুনা লাকখ্রবা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা মমাংদা শান্নখিবা মশান্না অদুদগী শান্নরোয় অনীনা শাফু হেন্না পীশিন্নদুনা মায় পাক্লনবা হোৎনখি।

নোভাক জোকোবিচনা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মনুংদা টেনিস মশান্না অসিবু শৌগৎতুনা টুর অমা পাঙথোকখিবদা শান্নরোয় কয়া অমা পোজিটিভ ওইরকপদগী মহাক্কী খোঙথাং অদুদা নীংহন্নবা লৈখ্রবনি। অদুবু ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী দিসাইদিং সেটতা কানাদাগী শান্নরোয় মিলোস রাওনিককী সর্ভিস গেম অমা য়াম্না মতাং মতম চানা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা অমদি মহাক্কী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙমখিবদগী ৬-৪দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌখি।

আই-লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টনা অফবা শান্নরোয় অমগী খূদোংচাবা ফংহনখি : অমর্জিৎ কিয়াম

SAMSUNG
ONE ASIA
8

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইখিবা অমর্জিৎ কিয়ামনা হিরো আই-লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা শীন্দুনা টিম অমা 'ইন্দিয়ন এরোজ' শান্নহন্দুনা ইন্দিয়াগী টিম অমা শেম্নবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংদা অচৌবা শরুক য়াদুনা লাকখিবা অদুনা শান্নরোয় অমা ওইবগী খূদোংচাবা হেন্না ফংখি হায়না ফোঙদোরকখি।

অমর্জিৎ কিয়ামনা ফিফা য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপ অদু লোইরবা মতুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীনখিবা ইন্দিয়ন এরোজ টিমদা শরুক য়াদুনা হিরো আই-লিগতা অতোপ্পা প্রোফেসনেল শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনদুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুবু এক্সপোজর পীখি।

অমর্জিৎ কিয়ামনা কুমজা ২০১৮দা জমশেদপুর এফ সীদা খূৎয়েক পীরদুনা প্রোফেসনেল ফুটবোলদা খোঙদাখি। অদুবু ক্লব অদুদগী মখা তাবা সিজনশিংদা ইন্দিয়ন এরোজনা অমুক হন্না লোনদা মহাকপু শান্নহনখি।

অমর্জিৎনা ইন্দিয়ন এরোজকী টিমদা হিরো আই-লিগ শান্নখিবদা পূন্না মেচ ১৬ শান্নবদা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। অদুগা জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা হিরো আই লিগতা শান্নবদা মেচ ২০দা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী তোঙান্না লৈরিবা শান্নরোয়শিংবু হেন্না ফগৎনবগী থবক লৌখৎলিবা মীদিয়া টিমনা অমর্জিৎকা ৱারী শান্নখিবদা, হিরো আই-লিগনা য়াম্না চাওবা খূদোংচাবা অমা পীবা ঙমখি হায়রি।

চহী নৌরিঙৈদা ৱর্ল্ড কপ শরুক য়ারুরবা মতুং টিম অদুনা অহেনবা ফজবা ঙম্নবগীদমক হিরো আই-লিগতা শরুক য়াহনখি। সিজন অনী হেন্না হিরো আই-লিগতা শান্নবা ঙন্বা অদুনা ফুটবোল মশান্না অসিদা মপূং ফাবা শান্নরোয় অমা ওইরকপগী অচৌবা খূদোংচাবা অমা হিরো আই-লিগনা পীবা ঙমখি হায়না অমর্জিৎনা মখা তারক্লি।

আই-লিগতা শরুক য়ারিবা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব মোহন বগান, ইষ্ট বেঙ্গোল, মণিপুরগী ক্লব নেরোকা অমদি ট্রাওদা মপান লমগী শান্নরোয় কয়া অমা শরুক য়াবা অদুনা ইন্দিয়ন এরোজনা লম্বা তৌবদা ৱাগনি হায়না নুংনাংবা ফাওবা লৈখি। অদুবু ফিন্দদা শান্নরবা মতুংদা ফুটবোল মশান্নগী ওইবা তোঙানবা টিমগী পাঙ্গল অদুনা মীরমদগী লাকপা শান্নরোয়শিং য়াওরবসু লাপ্তেংনবা ঙন্বগী থৌনা অদু নৌনা ফংখি। চহী ১৯শুরবা অমর্জিৎনা মখা তানা হিরো আই-লিগতা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমদা শরুক য়াবা ঙম্নবগী লম্বেল অদু মখা তানা চঙশিনবা পান্মী হায়খি।

গ্বাংজু এফ সীনা দেগু এফ সীবু পাঞ্জল ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা তরেৎশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী): এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা কোরিয়া লিগ ৱান টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৮শুবা মেচ অমদা গ্বাংজু এফ সীনা দেগু এফ সীবু পাঞ্জল ৬-৪দা থোইদুনা তরেৎশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা গ্বাংজু এফ সীনা দেগু এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু দেগু এফ সীগী দি দামজানোবিচনা ৩শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেচ অদুগী মখা চত্থরকপা ২৪শুবা মিনটতা গ্বাংজু এফ সীগী ফিলিপনা ইক্লেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু লম্বা মান্নখি। অদুবু গ্বাংজু এফ সীগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা অহেনবা এটেক অমদা মেচকী ৩০শুবা মিনটতা গ্বাংজু এফ সীগী আর অশুরমাতোবনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা অহানবা হাফ অদু মখোয়না দেগু এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা দেগু এফ সীগী চেসিনানা ইক্লেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। গ্বাংজু টিমগী মায়কৈদগী ৱিলিয়ন অমসুং ফিলিপনা মখা তাবা পাঞ্জল ২ চনশিন্দুনা ৬৩শুবা মিনটতা টিম অদুনা দেগু এফ সীবু ৪-২দা হেনখি। ৬৭শুবা মিনটতা দেগু এফ সীগী এদগারনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু গ্বাংজু এফ সীগী মায়কৈদগী এম ঐচ লিম অমদি জে জি কিমনা অথুবা মতমদা পাঞ্জল ২ চনশিল্লকপদগী মেচকী ৮২শুবা মিনটতা গ্বাংজু এফ সীনা দেগু এফ সীবু পাঞ্জল ৬-৩দা মাংজিল থাবা ঙমখি। শান্নবগী অরোইবা মিনটতা দেগু এফ সীগী মায়কৈদগী চেসিনানা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙমখ্রবসু টিম অদু ৪-৬তা মায়থীখি।

লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী টেবলগী লুচিংবা ওইরিবা উর্সান হ্যুন্দাইনা এফ সী সিওলবু ১৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ঙসি পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা টিম অদুনা পূন্না মেচ ১৮ শান্নবদা ১৪ মায় পাকপা ঙমখিবা লোয়ননা মেচ অহুম দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ ১খক মায়থীখিবা অদুনা পোইন্ট ৪৫ ফংলগা টিম ১২গী লম্বা অদুদা মখা তানা মাংজিল থাবা ঙল্লি।

পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা জিওনবুক এফ সী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা গাংৱোন এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখিবদগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইননবা হোৎনরকখিবা অদু খূরৌ থাংদুনা পোইন্ট ৪১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা সিয়োংনাম এফ সী অমসুং পোহাং ষ্টিলরস পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

Pos	Team	Pl	W	D	L	GF	GA	GD	Pt
1	Ulsan Hyundai	18	14	3	1	41	11	30	45
2	Jeonbuk FC	18	13	2	3	31	13	18	41
3	Sangju Sangmu	18	9	4	5	24	23	1	31
4	Pohang Steelers	18	8	4	6	31	23	8	28
5	Daegu FC	18	7	5	6	30	25	5	26
6	Gangwon FC	18	5	6	7	22	27	-5	21
7	Gwangju FC	18	5	5	8	22	27	-5	20
8	FC Seoul	18	6	2	10	16	34	-18	20
9	Busan I'Park	18	4	7	7	19	26	-7	19
10	Seongnam FC	18	4	6	8	15	21	-6	18
11	Suwon Bluewings	18	4	5	9	17	22	-5	17
12	Incheon United	18	2	5	11	11	27	-16	11

নেসনল স্পোর্টস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচীং, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস): জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্টস হব, ককচীং অমসুং মোদর্ন প্রোগ্রেসিভ একাদেমি, ককচীংনা শীন্দুনা ঙরাং লমজাও ময়াই লৈকাইদা হোকি ৱিজার্দ হায়না খঙনরিবা মেজর ধ্যান চান্দবু নৌহৌননা নীংশিংদুনা নেসনল স্পোর্টস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্টস হব, ককচীংগী সেক্রেটরি চিংখৈ ময়াংলম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা, 'য়োইবু য়োইহেন তান্নবুং' মিংথোনবা স্পোর্টস কবিতাগী পোষ্টর অমা ইন্দিয়া কুংফু ফেদরেসনগী ট্রেজরর য়ুম্নাম রাজেন মৈতৈনা ফোঙদোকখি। শান্নরোয়শিংগী কুংফু দিমোন্সট্রেসন উৎপগা লোয়ননা বীরমঙ্গল পুখ্রম্বমনা 'লমদমসিগী চায়নরোল : চায়নবুংদগী শান্নবুংদা' হায়বা হীরমসিদা ৱা ঙাংখি।

নেমার অমসুং নাইকি কম্পনিগী কন্ট্রেক্ট থুপচিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় ব্রাজিল মচা নেমারনা চহী ১৫ চুপ্পা শান্নবগী পোৎলম কয়া পুথোকপা মমিং লৈরবা কম্পনি নাইকিগা লৈরম্বা কন্ট্রেক্ট অদু থুপচিনখ্রে।

নাইকি কম্পনিগী মায়কৈদগী ঙরাং ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা মশাগী চহী ২৮শুরবা হৌজিক-হৌজিক ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শান্নরিবা ব্রাজিল মচা নেমার কম্পনি অসিগা হান্না লৈরম্বা কন্ট্রেক্টশিং অদু লোইশিল্লে হায়খি।

য়ু এস এদা বেজ তৌবা কম্পনি অসিগী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা জোস বেনেদেকনা ফোঙদোরকখিবদা, নেমারগা কম্পনি অসিগা হান্না লৈনরম্বা মরী অদু লোইশিন্দুনা মহাক নাইকি কম্পনিগী এথলিট অমা ওইদ্রে হায়খি। পনবা য়াবদি, নেমারনা নাইকি কম্পনিগা ইকোন কোন্না চহী ১১গী কন্ট্রেক্ট অমদা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১০৫গী য়ানচে অমা কুমজা ২০২২ ফাওবা লৈখি হায়রি। অদুবু কম্পনি অসিগী মায়কৈদগী ঙরাং ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অদুনা মমাংগী য়ানচেশিং অদু মখা তানা চৎনররোই। কুমজা ২০১৭তা ফুটবোলগী পুৱারীদা স্পেনগী বর্সেলোনাদগী ফ্রান্সকী পি এস জিনা য়ুরো বিলিয়ন ২২২দা নেমার লৈখিবনি।

সেরেজো ওসাকানা য়োকোহামা এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা জপান লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২শুবদা লৈখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী): জপান লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম ১৮না লম্বা তৌনরিবা অসিদা ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সেরেজো ওসাকানা য়োকোহামা এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

এন ঐচ কে স্প্রিং মিটসুজৱা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদু সেরেজো ওসাকাগী শান্নরোয়শিংনা হৌরকপদা ফজবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেচকী ১৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় টোসিয়ুকি টাকাগিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট হিরোসি কিয়োটাকেনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা পোজিসনদা লৈরিবা য়োকোহামা এফ সীগী মায়কৈদগী ইক্লেলাইজর অদু ফংনবা ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু সেরেজো ওসাকাগী দিফেন্দরশিং অদুগী অকনবা মশান্না অদুনা মিনট ৪৫গী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা য়োকোহামা এফ সী পাঞ্জল ০-১দা শোত্থদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ১৩ চঙশিল্লকপদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা লৈবা ঙমখ্রবা সেরেজো ওসাকাগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমদা হিরোকি ওকোনুনা ফংখিবা বোল অমা পীথোরকপদা টিমমেট ব্রুনো মেন্দিসনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল অদু নকশিলহনখি।

য়োকোহামা এফ সীগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা শোত্থখিবা পাঞ্জল অনী হন্দোক্নবা হোৎনবদা পুংখায় অমরোমদগী মতম চঙখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা প্রেসর পুখৎলত্তুনা সেরেজো ওসাকাগী মায়কৈদা পাঞ্জল হন্দোক্নবা তাঙ্কক কয়াদা বোল পুশিনবা ঙমখি। অদুবু মখোয়না পামখিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৫ রোমদা ঙাইরবা মতমদা য়োকোহামা এফ সীগী মায়কৈদগী কোকি সাইটোনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না মফম চানা খাইদোরকপদা টিমমেট য়ুসুকে মাটসুনা পাঞ্জল চন্দুনা ১-২দা লৈখি। ইক্লেলাইজর ফংনবা লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা কন্না হোৎনরবসু য়োকোহামা এফ সী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী ১-২দা মায়থীখি।

Pos	Team	Pl	W	D	L	GF	GA	GD	Pt
1	Kawasaki Frontale	14	11	2	1	41	12	29	35
2	Cerezo Osaka	13	8	3	2	18	13	5	27
3	FC Tokyo	14	7	4	3	25	18	7	25
4	Nagoya Grampus Eight	12	7	3	2	19	8	11	24
5	Urawa Red Diamonds	13	7	2	4	18	20	-2	23
6	Yokohama F.Marinos	14	6	3	5	28	24	4	21
7	Kashiwa Reysol	13	6	2	5	26	21	5	20
8	Gamba Osaka	12	6	2	4	17	16	1	20
9	Kashima Antlers	14	5	3	6	21	21	0	18
10	Vissel Kobe	14	4	6	4	21	23	-2	18
11	Sanfrecce Hiroshima	12	4	3	5	16	13	3	15
12	Consadole Sapporo	13	3	5	5	18	26	-8	14
13	Yokohama FC	13	4	2	7	17	26	-9	14
14	Oita Trinita	13	3	3	7	12	21	-9	12
15	Vegalta Sendai	12	2	5	5	13	19	-6	11
16	Shimizu S-Pulse	13	2	3	8	18	29	-11	9
17	Sagan Tosu	9	1	4	4	5	10	-5	7
18	Shonan Bellmare	12	1	1	10	10	23	-13	4

সাইনা কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা সেপ্টেম্বর ২দগী শুটরশিং ট্রেনিং চত্থবা য়াহনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা শান্নবগী লম্দা মীওই ১০০ ফাওবা সেপ্টেম্বর ২১দগী পূনবা য়াগনি হায়না অনলোক-৪গী কাঙলোন ফোঙদোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ন্যু দিল্লিদা লৈবা কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা শুটরশিং ট্রেনিং চত্থবা য়াহনগদৌরি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী অনৌবা গাইদলাইন অদুনা মরম ওইরগা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জ অদুদা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমদা লৈরিবা শুটরশিং ট্রেনিং চত্থবা য়াহনগদৌরি। লোয়ননা নেসনল সেন্টর ওফ এক্সলেন্সকী মফমশিংদা সেপ্টেম্বর ২দগী শুটরশিংনা ট্রেনিং চত্থবা য়ারগনি হায়রি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওইবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর অদুগা লোয়ননা মশাগী ওইবা এস ও পি শীজিন্নরগা শান্নরোয়শিংবু ট্রেনিং পীবদা অশোয়-অঙাম য়াওদনবা হোৎনগদৌরি।

সাইগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা ইন্দিয়ানা অনলোক-৪গী কাঙলোনশিং ফোঙদোরকখিবা অদুগা ইরোয়ননা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরশিংদা শান্নরোয়শিংবু শেমগৎননবগী অকক্লবা দিভলপমেন্টেল গ্রুপ এথলিটশিংদা খূদোংচাবা পীগদৌরি।

অহানবা খোঙথাং ওইনা সাইনা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমদা লৈরিবা শুটরশিংদা খূদোংচাবা পীগদৌরি। মদুগী মখা তারকপদা তাঙ্কক নাইনা শান্নরোয়শিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি কোচশিংগী তঙাইফদবা হকশেলগী ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা ট্রেনিং পায়খৎপগী থবক লৈবাক শীনবা থুংনা লৈরিবা সাইগী সেন্টরশিংদা য়ৌহনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি, থা অসিগী ময়াই চনশিল্লকপদগী হৌরগা ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শুটরশিংগী মনুংদা খরা ট্রেনিং চত্থবা হৌখ্রবনি। অদুবু ঙরাং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা নৌনা থোরকপা চেরোল অমদা শান্নবগী হীরমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০০ রোম পূনবা য়াবগী কাঙলোন অদু অয়াবা পীরকপদগী সেপ্টেম্বর ২১দগী তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিন খূদিংমক্কী ওইনা তাঙ্কক নাইনা শান্নরোয়শিং ট্রেনিং চত্থবা য়াহনগদৌরি।

কোমথোকপা খরা লৈরকপা অসিতুংওইননা সাইগী ফেসিলিটিশিংদা ফেস মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং, থর্মেল স্কেন্নিং অমদি হেন্দ ৱাশ/সেনিটাইজর শীজিন্নবগী মিনিষ্ট্রিগী কাঙলোন অদুদি চেকশিন্না চৎনহনগদবনি হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com